**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- ইরাং থোক্লিবা কাংলুপ অনিগী মরক্তা লৈরিবা থাজনদবা অসি কোকহনবা হায়বসিনা রাজ্য সরকারগী খ্বাইদগী মরুওইবা পান্দমনি।

২) রাজ্য অসিগী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা লুপা কোতি ৩৩ গী শেনফম দাইরেক্ত বেনিফিৎ ট্রান্সফরগী খুত্থাংদা য়েন্থোকখ্রে।

৩) ইম্ফাল-জিরিবাম রেল লাইন ইং ২০২৮ গী অরোহবা শরুক্তা ইম্ফাল য়ৌরক্লগনি।

৪) ময়াই লন্বী শেন্বগী থবক হৌজিক চত্থরিবা অসিদা অয়েৎ অপন পীবীদনবা রাজ্যগী ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা আপীল তৌরি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়া এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎকী শরুক অমা ওইনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

------

খেমচান্দ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- মহাক্কী সরকারগী খ্বাইদগী মরুওইবা পান্দমদি- হৌজিক ইরাং থোক্লিবা কাংলুপ অনিগী মরক্তা লৈরিবা থাজনদবা অসি কোকহনবনি।

ৱাফম অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নেসনেল গেমস ভিলেজ রিলিফ কেম্প ওইরিবা ওল্টরনেট হাউসিং কমপ্লেক্সতা আই.দি.পিশিংগা হকথেংননা উন্নবগী থৌরম অমদা ফোংদোকখিবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পতা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা পুন্না লুপা কোতি ৩৩ গী শেনফম দাইরেক্ত বেনিফিৎ ট্রান্সফরগী খুত্থাংদা য়েন্থোকখি। ২০২৩ গী মে থাদগী হৌরকখিবা ইরাং অসিগী অহানবা ওইনা মুখ্য মন্ত্রিনা মীতৈ অমসুং ফুরুপকী আই.দি.পিশিং পুন্না মতম অমখক্তদা উন্নখি। রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংনা ভিদিও কনফরেন্সকী খুত্থাংদা থৌরম অদু শরুক য়াখি। আই.দি.পিশিংনা মখোয়গী মহৈ মশিং তম্বা অমসুং অনা লায়েংগী লমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিদা পাউদমখি। আই.দি.পিশিংনা অথুবা মতমদা মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা সরকারনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎপীনবসু তকশিনখি।

মোরেদগী লাঞ্জেন্নরিবা আই.দি.পি অমনা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনবগী মতাংদা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- সরকারনা অককবা মতম অমা হৌজিকমক পীবা ঙমদ্রবসু উংখৎনরিবা কাংলুপ অনিগী মরক্তা অমনা অমবু থাজনদবা লৈরম্বশিং অদু কোকহন্দুনা রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিনবা অমদি আই.দি.পিশিংনা মশা মশাগী ময়ুমদা অথুবা মতমদা হঞ্জিনহন্নবা সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

থৌরম অদুদা মন্ত্রি খুরাইজম লোকেন, এম.এল.এশিং- শাপম কুঞ্জকিশ্বরা, নিশিকান্ট শাপম, খ্বাইরাকপম রঘুমনি, চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল, কম্মিসনার টু চীফ মিনিষ্টর এন. অশোক কুমার অমসুং সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোসু ভিদিও কনফরেন্সকী খুত্থাংদা শরুক য়াখি।

রাজ্য শিনবা থুংনা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেন, কাংপোকপী জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অমসুং এস.পিসু জিলা অসিগী নাংমুন রিলিফ কেম্পতগী ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শরুক য়াখি।

উপ-মুখ্য মন্ত্রিনা আই.দি.পিশিংগী ৱাকৎশিং অদু মুন্না তারবা মতুং মথং চয়োলদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি উন্নবদা ৱাফমশিং অদু পুখৎকনি হায়বগী থাজবসু পীখি।

আই.দি.পিশিং দাইরেক্ত বেনিফিৎ ত্রান্সফরগী খুত্থাংদা শেলগী মতেং পীবগী থৌরম অসি ককচিং জিলাগী খা মণিপুর কলেজগী এস.সি-এস.টি রিলফ কেম্পতসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা এম.এল.এ- ময়াংলম্বম রামেশ্বর অমসুং দিপ্যুতি উপুলুরি চৈতৈন্যা শরুক য়াখি। জিলা অসিগী ৱাবগাই কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা য়াংবী গার্লস স্কুলদা পাঙথোকপা থৌরমদা এম.এল.এ ডাঃ উসম দেবেন শরুক য়াখি। হিয়াংলম বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ- য়ুমাম রাধেশ্যামসু এলাংখাংপোকপী রিলিফ কেম্পতা থৌরম অসি শরুক য়াখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোংদা লৈবা মঙ্গোলঙানবী কলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতদু থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম অমসুং জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবম অমসুং রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরিবা আই.দি.পিশিং শরুক য়াখি। জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদসু থৌরম অসি পাঙথোকখি।

জিরিবাম জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা জিলা অদুগী বিদ্যানাগর মল্টিপরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংবা আহ.দি.পিশিংগী রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকপা থৌরমদা জিরিবাম কেন্দ্রগী এম.এল.এ- অসব উদিন, দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণ কুমার অমদি অতৈ ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

রাজ্য অসিদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিংদা শেলগী তেংবাং পীবগী থৌরম থৌবাল জিলাদসু ঙসি পাঙথোকখি। থৌবাল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা ৱাংজিং কোদোমপোকপী প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ৱাংজিং তেন্থা কেন্দ্রগী এম.এল.এ পাওনম ব্রোজেন, খাঙবোক কেন্দ্রগী এম.এল.এ- ওক্রম শুরজাকুমার, দিপ্যুতি কম্মিসনার য়ুমাম রোবিতা শরুক য়াখি।

ময়াং ইম্ফালগী প্রভাবতি কলেজদা হৌজিক হাংলিবা রিলিফ কেম্পতসু

ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম.এল.এ- কোংখাম রোবিন্দ্রো শরুক য়াখি।

চুরাচান্দপুর জিলাদসু ঙসিগী থৌরম অদু পাঙথোকখি। মপুং ওইবা থৌরম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা কোমিনথাংদা লৈবা সদভবনা মান্দপতা পাঙথোকখি। এম.এল.এ- এল.এম. খৌতেসু ভারচুয়েল ওইনা শরুক য়াখি। এম.এল.এ- পাউলিয়নলাল হাওকিপনা তুইবোংদা পাঙথোকপা থৌরমদা শরুক য়াখি। হেংলেপ বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ- লেতজামাং হাওকিপ তোরবুং প্রিফেব্রিকেতেদ রিলিফ সেন্তরদগী অমসুং সিংহাৎ বিধান সভা কেন্দ্রগী চিনলুনথাংসু কেন্দ্রগী সেন্ট জোসেফ রিলিফ কেম্পতগী শরুক য়াখি।

স্কাউটস (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট স্কাউন্টস য়ুনিয়নগী চীফ স্কাউটস রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ওইরে। ষ্টেট স্কাউটসকী কম্মিসনার খাইদে হিটলরনা লুচিংবা মণিপুর ষ্টেট স্কাউটস য়ুনিয়নগী কাউন্সিল মেম্বর ১২ গী মীহুৎ কাংবু অমনা ইম্ফালগী লোক ভবনদা ঙসি রাজ্যপালগা উন্নখি। উন্নবা অদুদা রাজ্যপালনা মণিপুরদা স্কাউটসকী ইহৌ মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি।

রেল (এল)ঃ ইম্ফাল-জিরিবাম রেল লাইন ইং ২০২৮ গী অরোইবা শরুক্তা ইম্ফাল য়ৌরক্লগনি। নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্তিয়ার রেলৱেগী চীফ এদমিনিষ্ট্রেতিভ ওফিসার (কন্সত্রক্সন) বিবেক সক্সেনানা ঙসি গুৱাহাতিদা পাউমীশিংগা উন্নবদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (পি.আই.বি) নোর্থ ইষ্ট জোন গুৱাহাতিনা শিন্দুনা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইবা প্রেস তুরিং প্রোগ্রামদা শরুক য়ারিবা মণিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতগী পাউমী ১১ গা উন্নবদা শ্রী সক্সেনানা হায়-রেলৱে লাইন অসি হৌজিক হৌজিক নোনে জিলাগী খোংশাং ফাওবা য়ৌখ্রবনি। রেলৱে লাইন অসি নোনে জিলাগী অৱাং খুল সেক্সন

ফাওবা চহি অসিগী মে থা ফাওবদা লোইশিল্লগনি।

ইন্দিয়ান রেলৱেজনা মণিপুরগী কোনুং ইম্ফাল য়াওনা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরস য়ৌনা রেল লাইন শমহন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলগনি হায়না অকাশবানি ইম্ফালগী নোনে পাউমী অগুই কামৈ য়াওবা পাউমী কাংবু অদুদা শ্রী সক্সেনানা ফোংদোকখি।

লম্বী (এল)ঃ ময়াই লম্বী হায়রগা হেন্না খঙনবা নেসনেল হাইৱে ১৩৭-এ ইম্ফাল-ককচিং লমখায় সেক্সন শেম্বগী থবক হৌজিক চখ্থরি। মসিদা কনাগুম্বশিংনা লম্বীগী নাক য়েৎতা তৌথোকপা অমদি পাইপ ফুমজিনবনচিংবা থবক কয়া চখ্থবা থেংনরে।

রাজ্যগী পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী নেসনেল হাইৱেজ দিভিজন নম্বর ৱানগী একজিক্যুতিভ ইঞ্জিনিয়ার য়াংলেম অমরেন্দ্রোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মীয়ামা মরম চাদনা লম্বী তৌথোকপা অমদি পাইপ ফুমজিনবা অসিনা মরম ওহদুনা অককবা মতমগী মনুংদা লম্বী শেমজিনবগী থবক লোইশিন্নবা হোৎনবদা অপনবা কয়ামরুম থোকপা য়াই। মরম অদুনা অসিগুম্বা থবক চখ্থরিবশিংগী মথক্তা নেসনেল হাইৱে লেন্দ এন্দ ত্রাফিক এক্ট ২০০২ গী মখাদা আইনগী মতুংইন্না ফাগৎলগনি হায়রি। লম্বী অসি অথুবা মতমদা শেম্বা লোইশিন্নবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা আপীল তৌরি।

ৱিমেন(এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালনা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগা পুন্না খুৎশমরগা 'মেন এস এলাইসঃ ইনগেজিং মেন ইন ৱিমেন ইম্পৱারমেন্ট হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি অকাশবানি ইম্ফালগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা শরুক য়ারদুনা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন-থুমলিপ তিনিংফম মোনশাংনা হায়-সংবিধাননা নুপীশিংগী য়াইফ থৌরাংগীদমক তোঙান তোঙানবা হক কয়া পীরি। মসি নুপীশিং মশানা

খঙদবগুম তৌবগী চাং ৱাংলি। অসিগুম্বা সংবিধান্না পীরিবা নুপীশিংগী হক অসি খঙহন্নবগী পান্দমদা কম্মিসন্না রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা এৱারনেস প্রোগ্রাম কয়া লেপ্তুনা পাঙথোক্লুনা লাক্লি।

থৌরম অসিদা, মেম্বর সেক্রেটরি-ডব্লিয়ু. ফজতোম্বী দেবী, মেম্বর-এস.কে. সোফিয়া, অকাশবানি ইম্ফালগী এসিষ্টেট দাইরেক্তর (ন্যুজ) কোঞ্জেংবম সোনিকুমার অমদি অকাশবানি ইম্ফালগী প্রোগ্রাম ইগজ্‌কিটি অমদি চেয়ারপার্সন (ৱিমেন সেল) নোংথোম্বম রোমা য়াওনা অকাশবানি ইম্ফালগী ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

এৱারনেস (এল)ঃ নুপীশিংগী শক্তি হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থরিবা মীয়াম্বু নিংথিনা খঙহনবগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা বিদ্যা ভারতি শিক্ষা বিকাশ সমিতি মণিপুরনা শিন্দুনা শপ্তা শক্তি শঙ্গম ২০২৬ বাল বিদ্যা মন্দির ককচিংদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শপ্তা শক্তি শঙ্গম ষ্টেট কমিতিগী কনভিনর এল. রাশেশ্বরিনা হায়- লৈবাক অমা ইংনা চিকা লৈনবা অচুম্বা লম্বীদা লাকবা অমদি চাওখৎপা পুরকবা হোৎনবদা নুপীশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। নুপীশিংনা তুংগী মীরোল কন্নবা হোৎনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মরম অদুনা নুপীশিংগী শক্তিবু অচুম্বা লম্বীদা শিজিন্ননবা নুপীশিংনা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

সেনাপতি (এল)ঃ মহৈরোইশিংবু পুকিং অমসুং হকচাং ফনা থমবগী পান্দমদা ইন্তরনেল ক্বালিতি এসিওরেন্স সেল অমদি মাউন্ট এভরেষ্ট কলেজ সেনাপতিগী কাউন্সেল্লিং সেলগা পুন্না শিন্দুনা মেন্টেল হেলথকী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা কলেজ অদুগী ওদিতোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু রাজ্যগী দিরেক্তোরেট ওফ য়ুনিভর্সিতি এন্দ হায়র ইদুকেসন্না মহৈরোইশিংবু মশা মউ ফনা থমনবা মখোয়বু ঙাকপী শেনবীনবা অমদি মখোয়গী খুদোংচাদবশিং নিংথিনা তাননবা কলেজগী থাক্তা নিংথিনা ত্রেন তৌরবা ওজাশিং লৈহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।

সমাজ অমা অমদি লৈবাক অমা শেমগৎপদা পুকিং ৱাখল অমসুং হকচাং ফবা হায়বসি য়ামমক মরুওইবা অমনি। মরম অদুনা মহৈরোইশিংনা মশানা মশাবু পুকিং ৱাখল অমদি হকচাং ফনা থমবা হোৎনগদবনি হায়বা ৱাফম ৱার্কসোপ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোংদোকখি। থৌরমগী মনুং চন্না মহৈরোশিংগী অখঙ অহৈশিংগগী মরক্তা ইন্তররেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

জেম(এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংবু খোইদাজবা ইম্ফাল ইষ্টকী হুইদ্রোম খুলগী অহল ওইরবা মীওই ৪০ দা ঙসি রেদিও সেট অমমমা খুৎশিন্নখ্রে।

হুইদ্রোম অৱাং লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি অয়ুক পাঙথোকপা অচন্বা থৌরম অমদা হুইদ্রোম ৱার্ড মেম্বর-নিংঙোম্বম সনাতোম্বীনা লৈখিদ্রবা নিংঙোম্বম পিকপি অমসুং মন্দাগী মিংদা কৎচবা রেদিও সেটশিং অদু খুৎশিন্নখি। অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ খোইদানা তারিবা, অদুবু রেদিও সেট মরাং কায়দবগী খুদোংচাদবা মায়োকরিবা অহলশিং অদুদা রেদিও সেটশিং অদু খুৎশিন্নদুনা অকাশবানি ইম্ফালগী থৌরমশিং নীংথিনা তাননবগী পান্দমদা রেদিও সেটশিং অদু খুৎশিন্নখিবনি। থৌরমদুদা অকাশবানি ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর-থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎ শরুক য়াখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়া এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎকী শরুক অমা ওইনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্লিবা এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎ অসিগী মনুং চন্না শ্রী মোদিনা অবুধাবিগী ক্রাউন প্রিন্স সৈখ খালিদ বিন মুহামদকা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরমদা তেংবীনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

প্রধান মন্ত্রিনা নিদরলেন্দসকী প্রধান মন্ত্রি দিক সুফকসু উন্নদুনা এ.আইনা লৈবাক অনিগী শেনমিৎলোনদা করমা মতেং পাংগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নখি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা স্বিটজরলেন্দগী রাষ্ট্রপতি গাই পরমেলিন অমসুং হেল্লেনিক রিপাব্লিক্কী প্রধান মন্ত্রি কাইরিয়াকোস মিটসোতাকিসকসু উন্নদুনা এ.আই. দিফেন্স এগ্রিমেন্ট অমসুং তেরোরিজমগী মতাংদা ৱারেপ কয়া লৌমিন্নখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট ঃ মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-বিএস.সি. টিম-এ ব্রহ্মপুরনা এল.সি.সি লমশাংবু রন ৩৫ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ-২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ক্লবনা য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা এন.এম.এফ.এনা ত্রাউবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখি। নম্বুল মপাল এথলেতিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন্না এলেভেন ষ্টার স্পোর্তিং য়ুনিয়ন অকামপাৎপু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ লাইরেলকাবী আর.দি.সি ক্লবনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা ষ্টেট লেবেল ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বাতর ফাইনেল মেটচ অমদা য়ুথ এফ.সি হৈবোংপোকপীনা শুনিল এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ ৭ শুবা সেক্তা ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মিলনজোই এফ.সি পুংদোংবমনা ৱাই.এস.দব্লিউ.সি শবুংখোকপু পাঞ্জল ৫-১ দা, সনামহি

এফ.সি ৱাংগোইনা জেল এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-১ থোইখ্রে।

ভোল্লিবোল ঃ ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বন্দেলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪৬ শুবা সবজ্নিয়র নেসনেল ভোল্লিবোল চেম্পিয়নসি ফোর বোইজ এন্দ গার্লসতা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম লাউথোক্লে। খনগৎলবা শান্নরোইশিং থা অসিগী ২২ দা ইম্ফাল থাদোক্কনি।

------